কোচ রীদকী স্লো এন্দ ষ্টিদিগী এপ্রোচ অসিনা শান্নরোয়শিংদা প্রেসর অমত্তা পীদে, মতম মপুং ফানা লৈরি: চীংলেন্সনা



ন্যুদিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা নুপাগী হোক্কি শান্নরোয় কাংঙুজম চীংলেন্সনানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক বেঙ্গালুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা পাঙথোক্লিবা নেসনল হোক্কি কেম্প অসিদা কোচ গ্রাহম রীদকী স্লো এন্দ ষ্টিদিগী এপ্রোচ অসিনা শান্নরোয় অমত্তদা প্রেসর পীদে, শেম শাবগী মতম মপুং ফানা লৈ হায়খ্রে।

কোভি-১৯ লাইনা-লাইচৎনা মরম ওইদুনা থা ৫রোম হেন্না ফিল্দদা থোক্কুনা ত্রেনিং ফংলুদ্রবা মতুং হন্দক্তা ত্রেনিং অসি হৌরকখিবনি। নীংশিংবা য়াবদি ত্রেনিং শরুক য়াবা লাকখিবা শান্নরোয় খর কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরকপদগী হোস্পিটালদা মতম খর লৈদুনা চেকশিল থৌরাং কয়া লৌখৎপা য়াওনখ্রবনি।

মিদফিল্ড পোজিসন্দা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নখিবা চীংলেন্সনা মশা শোকপদগী কুমজা ২০১৯গী অয়াম্বা শরুক শান্নবা য়াওবা ঙমলুদ্রবনি। ইন্দিয়াগী টিমদা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা হল্লকপদা ঙাইরিঙৈদা কোভিদ-১৯নামরম ওইদুনা থা ৫ হেন্না অমুক পন্দুনা লৈখি।

লোকদাউনগী মতম অদুদা শান্নরোয় পুম্নমক মশাগী ফিটনেস লেভেল অদু হন্দনবা মশা মথন্তা হোৎনজদুনা লাকখি। অদুবু হোক্কি ইন্দিয়াগী মায়কৈদেগী শান্নরোয়শিংগী পুক্লিং থৌনা হন্দনবা তোঙান-তোঙানবা ওন লাইন সেসন কয়া পাঙথোক্কুনা শান্নরোয়শিং অদুবু মতেং পীখি।

চীংলেন্সনা মশামক্তা নত্তনা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পুম্নমক লোকদাউন মমাংদা লৈরম্বা থাক অদু য়ৌননবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা থা ২-৩ লোমদি চঙখিগনি হায়না ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৯দা অর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা শান্নরোয় অসিনা মখাতানা ফোঙদোরকপদা মহাক মশাগীসু হান্নগী ফোর্ম অদু লাক্লবা প্রেসর পীদনা তপ্ন-তপ্না হৌগনি হায়খি।

লাক্কদৌরিবা থা খর অসি ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমনি। চহী অসি লোয়শিনবা ফাওবা ইন্দিয়ানা শরুক য়াগদবা অচৌবা টুর্নামেন্ট অমত্তা লৈতবা মরম্না মতিক চাবা মতম ফংদুনা হান্নগী ষ্টেন্দর্দ অদু য়ৌনবা হোৎনবা য়াগনি হায়খি।

চীফ কোচ গ্রাহম রীদনা শান্নরোয়শিং অসিগী ফিভম মরীক চুম্না খঙবনা মরম ওইদুনা শান্নরোয়শিংদা প্রেসর অমত্তা পীদে। মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী ফিটনেস অমসুং স্পিদতা হেন্না মীৎয়েং চঙশিন্দুনা অমদি মমাংদা অৱাৎপা লৈখিবা এরিয়াশিং অদু মেনখৎনবা হোৎনবগী মতিক চাবা মতম লৈরি হায়খি।

সেরেনা অমসুং অজারেনকা সেমীফাইনেল লম্বা তৌনরগনি, থিয়ম অমদি দানিলসু সেমীদা থেংনরগনি

US OPEN

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
২৪রকশুবা গ্রান্দস্লাম টাইটল ফংনবা হোৎনরক্লিবা য়ু এস এগী মমিং লৈরবী টেন্নিস শান্নরোয় সেরেনা ৱিলিয়মসনা ঙরাং শান্নখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা বলগেরিয়াগী স্বেটানা পিরোনকোভাবু মায়থীবা পীদুনা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু থোইরম্বী বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকাগা সেমীফাইনেল লম্বা তৌনরগনি। নুপাগী কাংলুপ্তা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম অমসুং রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবসু সেমীফাইনেল থেংনরগনি।

য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ঙরা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা পিরোনকোভাগী স্লাইস ফোরহেন্দ অদুদা পাউখুম পীবা খর ৱানা থোকখি। অহানবা সেট অদু গেম ৪-৬তা মায়থীবা নংখি। অনীশুবা সেটতা সেরেনানা য়াম্না ফজনা ফুগৎতুনা অমুক শান্নবা হৌরকপদা পিরোনকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল অদু সেট ১-১দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নরোয় অনীনা মমাংদা শান্নখিবা মেচ ৪দা সেরেনানা ৪মক থোইবা ঙমখি। ঙরাংগী ক্বার্টর ফাইনেল অদুগী অহুমশুবা সেট অদুগী হৌরকপদা সেরেনানা পিরোনকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমখি। মদুগী মতুংদগীদি পিরোনকোভাগী মায়কৈদগী সেরেনাগী সোটশিং অদু পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী সেট অদু ৬-২দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। সেরেনানা কুমজা ২০১৭তা মশাগী করিয়রগী ২৩রকশুবা গ্রান্দস্লাম টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্রবনি। মহাক্কী মমাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মার্গরেট কোর্টনা গ্রান্দস্লাম টাইটল ২৪ লৌদুনা রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবনি।

সেরেনা ৱিলিয়মসনা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদদৌরিবা শান্নররোয় অদু মমাংদা নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরম্লবী বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকানি। মহাক্না ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্সপু য়াম্না কোম্না ইৱা-ৱাদনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-১, ৬-০দা থোইরমখিবনি।

নুপাগী কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর টু সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দ মিনোরগা শান্নবদা ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-১, ৬-২, ৬-৪দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা সেটতা থিয়মনা মিনোরগী সার্ভিস গেম ৩ থংন-থংননা ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরনা ফনা কন্না হোৎনরবসু থিয়মগী মশান্না অদুদা মখুৎ হনবা ঙমখিদে। সার্ভিস গেম অনী মাঙজখিবদগী ২-৬তা মায়থীদুনা সেট অনী শোৎখদুনা লৈখি। অহুমশুবা সেট অদুসু ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ৬-৪দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

থিয়মনা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনি, মহাক্না ঙরাং ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্প রসিয়াগী শান্নরোয় এন্দ্রি রুব্লেবপু ৭-৬(৮-৬), ৬-৩, ৭-৬(৭-৫)তা মায়থীবা পীরমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নবা লোয়শিনখিবা নুপীগী দবলসকী সেমীফাইনেল মেচ অমদা চাইনাগী জু য়িফান অমসুং য়ু এসকী নিকোল মেলিশরনা য়ু এসকী প্যের এসিয়া মুহম্মদ অমসুং টেলর টাউনসেন্দবু ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬(৯-৭)তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নেসনল কেম্পতা ফোর্মেটিব কোচ অমা য়াওহনবীনবা বোক্সর অমিট পনঘলনা ফোঙদোকখ্রে

পাটিয়ালা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
পঞ্জাবকী সিটি পাটিয়ালাদা পাঙথোক্লিবা নেসনল বোক্সিং কেম্পতা ফোর্মেটিব কোচ অমা হাপ্পিয়ু হায়না ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান বোক্সর অমিট পনঘলনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা হায়জখ্রে।

কিলোগ্রাম ৫২গী কেটেগরিদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা পনঘল এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদালিষ্ট ওইবতা নত্তনা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা সিলভর মেদালিষ্টসু ওইরিবনি।

পার্ডগী এজেন্সী অমগা ৱারি শান্নবদা অমিট পনঘলনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ফোর্মেটিব কোচ ওইরিবা অনিল ধনকরবু পাটিয়ালাগী নেসনেল বোক্সিং কেম্প অদুদা শরুক য়াহনবীয়ু হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা অইবা চেরোল ইদুনা মেল থাখ্রবনি। অদুবু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পীখিবা মেলশিং অদুগী পাউখুম ঙসি ফাওবা রিপ্লাই লাকত্রি হায়খি।

অমিট পনঘলনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না রিক্বেষ্ট অদু চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র্স অদুগী মাংওইননা তৌখ্রবনি। মহাক্কী করিয়রগী অঙনবা মতমদা কোচ অনিল ধনকরনা অমিটপু য়াম্না চাওনা মতেং পীদুনা লাকখিবনি। মহাক্না দ্রোনচার্য্য এৱার্দসু কোচ অসিদা পীবিনবা হায়জবা ফাওবা লৈখ্রবনি। নীংশিংবা য়াবদি কোচ অনিল ধনকর মমিং লৈরবা কোচ সি এ কুট্টাপানা লুচিংবা নেসনল কোচশিংগী পেনেলদা য়াওখিদে।

ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ওইরিবা সান্টিয়াগো নিএভাদসু হায়জবা লৈখ্রবনি। নিএভানা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কোচ অদু য়ুথ কেম্পতা য়ামদ্রবদা থা অনী হান্না শরুক য়াগদবনি। নীংশিংবা য়াবদি বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা নেসনল ফেদরেসন ৫৭কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা পীবা রিকগনিসন অদু দেল্লি হায়কোর্টনা নেসনল স্পোর্টস কোদ চৎনবগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরকপদগী অথিংবা থমদুনা লাকখিবদগী নেসনল বোক্সিং কেম্প অসিসু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়না য়েংশিন্দুনা লাক্লিবনি।

বোক্সর অমিট পনঘলনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মঙোন্দা পাউখুম অমত্তংদি পীফম থোকই। মহাক্কী কোচ অসি নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী কোচিংদা দিপ্লোমা পায়বতা নত্তনা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী ষ্টার অমা ফংলবা কোচ অমনি হায়খি।

মশাগী চহী ২৪শুরবা কমনৱেল্থ গেমস সিলভর মেদালিষ্ট, এসিয়ন গেমস গোল্ড মেদালিষ্ট অমসুং মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা সিলভর মেদালিষ্ট ফংলিবা লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীসু ক্বালিফাই ওইরবা অমিট পনঘলনা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী ত্রেনিং চথবদা মহাক্কী মনাক্তা কোচ অসি লৈহননিংই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মতম খরগী মমাংদগী ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী লমদা চাওনা মায়পাকপা ঙমখ্রবা বোক্সরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অমিট পনঘল টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মেদল ফংগনি হায়না পান্নরিবা বোক্সর অমনি।

সৈমিন্থাং ত্রান্সফরগী চে পীশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী তোঙান -তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা ত্রান্সফরগী থবক থৌরমশিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না পায়খৎলকপগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এ আই এম ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় পিটর সৈমিন্থাং হাওকিপনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা দল্লিয়ু এ এফ এদা ত্রান্সফর তৌনবা চে পীশিল্লকখ্রে হায়না অম্ফাগী ত্রান্সফর কম্মিটিগী কনভিনর এম নিলোনা প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ঙসিগী ওইনা শান্নরোয় অমখক ত্রান্সফর চে থাজিল্লকপনি। অদুবু ঙরাংদি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অনীদগী শান্নরোয় ৫গী ত্রান্সফরগী চে থাজিল্লকপা লৈখ্রবনি।

সেপ্টেম্বর ৭তগী হৌগনি তৌরম্বা বেদমিন্টন কেম্প হৌবা য়াদনা লৈরি

হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
দেনমার্কনা য়ুম্ভু ওইরগা অর্হস সিটিদা ওক্টোবর থাদগী হৌগদৌরিবা থোমাস এন্দ অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মাঙওইননা পাঙথোক্কনি হায়না সেপ্টেম্বর ৭দা মতম লেপখিবা নেসনল বেদমিন্টন কেম্প অদু ঙসি ফাওবা হৌবা য়াদনা লৈরি।

এজেন্সীগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কেম্প অদুদা চৎনগদবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিংনা মরম ওইরগা অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা মুক্কুবা লাকপনা কেম্প অসি হৌবা য়াদ্রিবনি হায়রি।

এস ও পিগী মতুংইন্না কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় পুম্নমক মফম অদুদগী হেন্দাক্লোইদবনি হায়বা ৱাফম অদুগা মফম অদুদা য়ৌরক্লবা মতুং নুমীৎ ১০ সেল্ফ আইসোলেসন তৌগনি হায়বা ৱাফম অসিদা শান্নরোয় কয়া অমনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপনি।

নীংশিংবা য়াবদি, কেম্প অসিগীদমক্তা খনগৎলবা শান্নরোয় ২৬কী মনুংদা অয়াম্বদি হায়দরবাদতা লৈবা মরম্না কেম্প মফম ওইরিবা গোপিচান্দ বেদমিন্টন একাদেমী অদুদা লৈবা পামদে। অতোপ্পা এথলেটশিংগী মনুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু কেম্প অসিগী মাঙওইননা ষ্ট্রেঙ্ক ট্রেনিং ওইনা কিলোমিটর ১০০ হেন্না চৎলিবনি। অদুবু একাদেমী অদুদা লৈবা তারবদি ষ্ট্রেঙ্ক ট্রেনিং অদু মাঙজবা তাই। লোয়ননা কেম্প অদুদা লাকখ্রবা বেদমিন্টন শান্নরোয় পুম্নমক অতোপ্পা মফমদা চৎতনা দেনমার্ক য়ৌরুরগা ওক্টোবরগী অহুমশুবা চয়োলদা ইন্দিয়াদা হল্লক্কদৌরিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা এস ও পি চৎননবা ফোঙদোক্লি। অদুবু বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা এস ও পিগী চৎনকাঙলোন খরা কোমথোক্লুবা হায়রকপা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি। পনবা য়াই, এস ও পি কোমথোক্ত্রবদি টুর্নামেন্ট শরুক য়ারোই হায়বা শান্নরোয় য়াওরিবনি।

আর্চরশিংনা ফিট ওইনবা হোৎনবদা চয়োল ৪দগী ৬ ফাওবা চঙখিগনি : ফিজিও অর্ভিন্দ যাদব

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী আর্চরি টিমগী ফিজিওথেরাপিষ্ট ডা. আর্ভিন্দযাদবনা ফোঙদোকখিবদা, লোকদাউন মতুংদা ট্রেনিং চথদুনা আর্চরশিং অসিগী মপুং ফাবা ফিট ওইবগী লেভেল অদু য়ৌনবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা চয়োল ৪ দগীনা ৬ ফাওবা চঙখিগনি হায়রি।

রিকর্বকী ওইনা নেসনল আর্চরি কেম্প অদু মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা আর্মি স্পোর্টস ইনষ্টিট্যুটতা মমাঙ থাগী ২৫ দগী হৌখ্রবনি। কেম্প অদুদা নুপা আর্চরি ৮ অমসুং নুপী আর্চরি ৮না শরুক য়ারিবনি। হন্দক্কী মতাং অসিনা অহানবা ওইনা আর্মিগী ফেসিলিটি অমদা নুপী আর্চরশিংনা চৎথোক্তনা লৈদুনা কেম্প শরুক য়াবা অসি চহী ৭কী মতুংদা অহানবনি। খোঙথাং অসি কোভিদ-১৯ লাইচৎকী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা অমদি আর্চরশিং অদুগী শাফনবগীদমক লৈঙাক্লা লৌখৎলকপনি।

নীংশিংবায়াই, ইন্দিয়াদা আর্চরিগী ওইবা কম্পিটিসন অমসুং ট্রেনিংগী থবক থৌরমশিং মার্চ থাদগী লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা লোকদাউন অদুনা মরম ওইদুনা লেপ্পুনা লাকখিবনি। অদুবু লৈঙাক্লা লোকদাউন খরা কোমথোরকপগা মরী লৈননা শান্নবগী লমদসু অহোংবা খরা লাকপদগী পুনেগী আর্মি স্পোর্টস ইনষ্টিট্যুটদা ওগষ্ট ২৫ দগী নেসনল কেম্প হৌরকপনি।

কেম্প অদুদা আর্চরশিংনা নুমীৎ ১৪ নিগী ক্বারন্টিনগী মতম লোইরবা মতুং ট্রেনিং হৌখিবনি। ফিজিও থেরাপিষ্ট আর্ভিন্দ যাদবনা পাউগী চেনেল অমগা ৱারী শানবদা আর্চরশিং অসিনা মখোয় মশামক্তা অহেনবা প্রেসর পীশিন্দনা তাঙ্কক নাইনা ট্রেনিং চথবনা মখোয়গী খ্বাইদগী অফবা ওইগনি হায়খি। মরু ওইনা থা ৫ হেন্না লেপ্পুনা লৈরুরবা মতুং আর্চরশিং অসিগী মসলশিং অদু নীংথিনা থবক তৌহল্লবা মতুংদা প্রেক্টিস সিষ্টম অদু পায়খৎপা য়াগদৌরি।

ট্রেনিং হৌদ্রিঙৈদা তঙাইফদনা শীজিন্নগদৌরিবা হকচাংগী মসলশিং অদু নীংথিনা চুশিন্নবা অমা তঙাইফদে। য়াম্না কাঙলোন চুন্বা মওংদা ৱার্ক অপ তৌহনবা লোয়ননা লোকদাউন মমাঙদা লৈরম্বা আর্চরশিং অদুগী ফিটনেস লেভেল অদু য়ৌদ্রিবা ফাওবা হাথু হাথুদবা মওংদা থবক লৌখৎকদবনি হায়রি।

আর্চরশিং অসিনা অতেনবা মতমদা মখোয়গী লৈরম্বা রিদম অদু পুরকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা য়ামদ্রবদা মেচ অমা শরুক য়ানবা হোৎনবদা লৈগদৌরিবা ফিটনেসকী লেভেল অদু চয়োল ৪দগীনা ৬ ফাওবা চঙখিগনি হায়রি।

আর্ভিন্দযাদব স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মশক খঙলবা ফিজিও থেরাপিষ্টনি। মহাক্কী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, সপোর্ট ষ্টাফশিংনা আর্চরশিং অদুবু তাঙ্কক নাইনা পান্দম মচা-মচাশিংদগী হৌরগা নোংম-নোংমগী চাং হেনগৎহন্দুনা মখোয়না লৈরম্বা মালেমগী থাক্তা কম্পিটিসন য়ারম্বগী ফীভম অদু য়ৌনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

‘ভেক্সিননা ওলিম্পিক পাঙথোকপগী অমত্তা ঙাইরবা খুৎলায় ওইরোই’

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা চহী ১ য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ভেক্সিন পুথোরকপনা ওলিম্পিক অসি মপুং ফানা মায় পাক্লা পাঙথোকপগী খুৎলায় ওইরোই। অদুবু চাউনা মতেং পাংবদি ঙমগনি হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা বেকনা ফোঙদোকখিবদা, মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক্লবা লেপ্পা লৈতনা চঙশিন্নরি। লোয়ননা লাইচৎ অসি টেষ্ট তৌথোক্লবা হান্নদগী হেন্না খুন্নাং চাউশিল্লি। অদুবু খোঙথাং অনী অসিনা চহী ১ য়ৈথোরক্লুবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস মায় পাক্লা পাঙথোকপগী লম্বেলশিংদি নত্তে।

জপানদা লৈবা মীয়াম্না কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি ওইথোক্কনি হায়বগী থাজবগী চাং হন্থরক্লি। অদুবু চয়োল অসিদা ওলিম্পিক মিনিষ্টর সৈকো হাসিমোতোনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক নৌনা লেপ্লিবা মতম অসিদা অমবু ওইরবসু-অমবু ওইরবসু গেমস অসি শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্তবা য়াদে হায়খি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি ভাবোক য়াওদবা গেমস অমা ওইহন্নবগী ৱাখল্লোন অদু আই ও সীগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। চহী অসিদা হৌজিক লৈরিবা মালেমগী শান্নবগী লমদা মমিং লৈরবা কম্পিটিসন কয়া অমা ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্লুরি।

ঙসিদগী থারগা নুমীৎ ৩২০নি ৱাংলিবা ওলিম্পিক গেমস অসি তম্বা ঙমদ্রি। মরম অদুনা এথলেটশিংনা মথংগী চহীদা জপান্দা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরগা কম্পিটিসন শরুক য়াবা মতমদা মখোয়দা থন্নক্কদবা থবক থৌরমশিং অদু য়ানা চৎকদবনি। কনা অমত্তনা সিমাদি পান্মী নৎত্রগা সিমাদি ফজদে হায়বা কমপ্লেন্ট তৌবা য়ারোই। মফম অদুদা কোভিদ-১৯ লাঙ্থেংনবা হোৎনবদা জপাননা লৌগদৌরিবা থৌদাংশিং অদু এথলেটশিংনসু শৌগৎকদবনি হায়না পাউগী মীফম অদুদা মখা তাখি।

ওলিম্পিক গেমস অদুদা শরুক য়ারিবশিংগী শাফনবা ক্বারন্টিন তৌদবা য়াদে হায়রবদি তৌগদবনি।

ওক্টোবরদা এ আই এফ এফনা অহানবা ওনলাইন গোলকিপিং অমসুং ফুটসালগী সার্টিফিকেট কোচিং হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না ওক্টোবর ২ দগী ১১ ফাওবা অহানবা ওইনা গোলকিপিং ইন্ট্রোদক্টরি কোচিং সার্টিফিকেট কোর্স অমসুং ফুটসাল ইন্ট্রোদক্টরি কোচিং সার্টিফিকেট কোর্স ওনলাইনদা অখন্ননা পাঙথোক্লনবা শেম-শাখ্রে।

ওলইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী হেদ ওফ কোচ এদ্যুকেসনগী থৌদাং পুরিবা সাবিও মৈদৈরানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্ট্রোদক্টরি কোর্সশিং অসি ওনলাইনদা অতেনবা মতমদা পায়খৎকদৌরিবা অসিনা হান্নদগী তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা খোঙথাং অমা ওইদুনা লাকখিবা অদু হন্দক্কী মতাং অসিদা থবক ওইনা উৎথোকপা ঙমগদৌরি হায়খি।

প্রেক্টিকেল সেসন পাঙথোকপগী মতাংদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা অথিংবা কয়া লৈবনা থবক ওইনা পায়খৎপা য়াদ্রি। মরম অদুনা থাক অৱাংবগী কোর্সশিং ওনলাইনদা পাঙথোকপদা মতিক চাদে। মরমশিং অসিনা অখন্নবা ইন্ট্রোদক্টরি কোর্সশিং অসিনা মাঙদুনা লৈগদৌরিবা মতমশিং অসি মেনখৎতুনা হীরম খরদদি ফুটবোলগী লমদা কোচশিংগী ওইবা কান্নবা কয়া অমা পীগদৌরিবনি।

এ আই এফ এফ গোলকিপিং ইন্ট্রোদক্টরি সার্টিফিকেট কোর্স অসি ওক্টোবর ২ দগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অদুগা এ আই এফ এফ ফুটসাল ইন্ট্রোদক্টরি সার্টিফিকেট কোর্সনা ওক্টোবর ৯ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াদা লোকদাউন থমখিবনা মরম ওইদুনা ফিল্ডগী এক্টিভিটি অমত্তা য়াখিদবদগী মার্চ থাদগী হৌরগা মালেমগী ওইনা লৈরিবা ফুটবোলগী অনৌবা কাঙলোনশিং অদু লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোচশিংদা ওনলাইন সিষ্টম পাঙথোক্কুনা মীকুপ-নাহুম শিংহনখি। সেসনশিং অদুগী মনুংদা ওনলাইনদা সেমিনার পাঙথোকপা, কোচ এদ্যুকেটরশিংগী অখন্নবা রিফ্রেসর কোর্সশিং লোয়ননা ঈ-পাথসলাগী অনৌবা কোর্স অমসু এ আই এফ এফ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা পুন্না খুৎশম্নরগা পাঙথোকখি।

সাবিও মৈদৈরানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গোলকিপিং কোচকী প্রোফেসনদা খোঙ থাংজিন্নিংবা থৱায় য়াওবশিংনা হন্দক্কী ইন্ট্রোদক্টরি কোর্সশিং অসিনা অচৌবা মতেং অমা ওইহল্লগনি। গোলকিপিং লেভেল ৱান থাক্তা য়ৌনিংলবদি এ আই এফ এফকী সী অমসুং দি সার্টিফিকেট কোর্স হান্না পায়বা মথৌ তাই। করিগুম্বা ওনলাইন সার্টিফিকেট কোর্স অসি য়াওরবা মতুং ফিজিকেল সেসন অদু মতাং চারবা মতমদা অমুক য়াওগদবনি।

ফুটসালগী ওইনসু মথৌ তারবা সী সার্টিফিকেট লৌথোক্কুনা ওনলাইন ইন্ট্রোদক্টরি সার্টিফিকেট কোর্স অসি লোইরবা মতুং সী অমসুং দি সার্টিফিকেট য়াওদনা লেভেল ৱান থাক্তা চঙবা য়ারগনি।

বি সী সী আইগী এন্টি করপসন য়ুনিট য়ু এ ঈদা থুংখ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):
সেপ্টেম্বর ১৯দগী হৌগনি তৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টি-২০ লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ অসিগী মাঙওইননা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী এন্টি করপসন য়ুনিট মফম অদুদা থুংখিদুনা শান্নরোয়শিংদা ভিদিও কাউন্সেল্লিংগী মতেংনা এন্টি করপসনগী মতাংদা মতেং পাংগদৌরি।

অজিৎ সিংহনা লুচিংবা বি সী সী আইগী মীওই ৮ না শাবা টিম অদু লৈবাকপোকপা নুমীৎতা দুবাইদা থুংখিবনি। টুর্নামেন্ট অসি বাইও-ববলদা পাঙথোক্কদবা মরম্না মমাঙদা পাঙথোকখিবা এদিসনশিংদগীদি হন্দক্কী অসিনা হেন্না চেকশিনগদৌরি।

সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা শান্নরোয়শিংদা করপসনগা মরী লৈনবা মেসেজ কয়া থারকপা য়াই। হায়রিবশিং অসি থিংননবা এন্টি করপসন টিম অসিনা মাঙজৌননা শান্নরোয়শিংদা ভিদিও কাউন্সেল্লিং পীগদৌরিবনি। ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোক অমত্তা লৈরোই। লোয়ননা ভাবোকশিংনা শান্নরোয়শিংনা লৈরিবা হোটেলশিংদা চঙশিনবসু য়ারোইদৌরি। মমাঙদা করপটরশিংনা ভাবোক শাশিন্নদুনা শান্নরোয়শিংগী মনাক্তা নকশিন্দুনা করপসনগা মরী লৈনবা মেচ ফিক্সিংগী মতাংদা মমাঙদা থৌদোক কয়া থোকখ্রবনি। টিম অসিনসু স্পোর্টস ইন্টিগ্রিটি এজেন্সীশিং ৱাইদুনা শেল থানবগী থবক থৌরমশিং অমদি চিংনবা ক্লাইন্টশিং লৈব্রা হায়বদুসু খঙদোকপা ঙমগদৌরি হায়না অজিৎ সিংহনা ফোঙদোকখি।

শান্নরোয়শিংদা করপটরশিংনা সোসল মীদিয়াগী খুথাং নৎত্রগা ৱাটচএপদা পার্ড ফাওনবা অসি নত্তনা অতোপ্পা লম্বেলদি লৈরোইদৌরিবনি। ইন্দিয়াদা শান্নদ্রবসু ইন্দিয়াদা লৈহৌরিবা ভাবোকশিংনা সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা করপসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিম ৮মক্কী তোঙান তোঙানবা সিক্যুরিটি লাইএজন ওফিসর ২/২ হাপ্পুনা থম্লিবনি। মখোয়না ববল অদুদা শান্নরোয়শিং অমদি করপটরশিংগী মরক্তা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অদু য়েংশিনগদৌরিবনি। ভিদিও কাউন্সেল্লিং সেসন অদু টিম অদুগী নুমীৎ ৬নিগী ওইবা ক্বারন্টিন লোইরবা মতুং হৌরগনি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com